# ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদিনা মলাৱিদা পাক্তক্লনা ঈশিং ঈচাও থোকহল্লে, মীওই ১৭ শিখ্রে

ৱিলোংৱি/মাকুটো, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদিনা মলাৱিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ব্লান্টিরে য়াওনা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদ কয়া থোকহনবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



চৈরকসিদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদি অনীরকশুবা ওইনা হৌখিবা থাংজগী অথেংবদা মোজাম্বিক্তা অমুক শাফু কন্না শিৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা নোং কন্না চুহনখ্রে অমসুং অফ্রিকাগী খা থংবা লৈবাক অসিগী ট্রান্সপোর্ট অমসুং কম্যুনিকেসনদা চাওনা শোকহল্লে হায়রি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মোজাম্বিক অমসুং মলাৱিদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন অসিনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে। সাইক্লোন ফ্রেদি অসি সাউর্দন হেমিস্ফিয়রদা হৌজিক ফাওবদা রেকোর্দ তৌবা খ্বাইদগী মতিকময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈরি। হৌখিবা চয়োলদা ফ্রেদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী মতম শাংনা লমদম অমদা ফুজিল্লকখিবা ট্রোপিকেল সাইক্লোন ওইখি।

ৱার্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না মমাঙদা খ্বাইদগী মতম শাংনা শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি কুমজা ১৯৯৪ দা নুমিৎ ৩১ নি চুপ্পা শিৎখিবা হরিকেন অমনা ওইখি। ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদি ইহান হান্না ফেব্রুৱারী ৬ তা ওষ্ট্রেলিয়াগী থংবা শরুক অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মরক্তা দিভলপ তৌখিবা মতুং হৌজিক শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি হৌজিক ফাওবদা কিমি ৮৮৫১ হুমখিবগা লোয়ননা মলাৱি, মোজাম্বিক অমসুং মদাগাস্করগুম্বা অফ্রিকাগী লৈবাক কয়াদা অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা কয়া থোকহন্দুনা লৈরি।

হৌখিবা থাদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মোজাম্বিক অমসুং মদাগাস্করদা শাফু কন্না শিৎচিল্লকখিবদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি অমসুং ঈশিং ঈচাওসু পাক্তক্লনা থোকখি। লৈবাক অনী অসিদা সাইক্লোন অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং য়ামদ্রবদা ২৭ ওইখি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা সাইক্লোন অসি অনীরকশুবা ওইনা মোজাম্বিক্তা অমুক শিৎচিল্লকখিবদা মীওই অমসু শিখি। অফ্রিকাগী লৈবাক অহুম অসিদা হৌজিক ফাওবদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৪০ হেল্লে হায়রি।

মলাৱি পুলিসকী স্পোক্সমেন পিটর কলায়ানা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা মথক্তা পল্লিবা অশিবশিংগী মশিং অসি শুপ্পগী ব্লান্টিরে সিটিদা শিখিবা মী মশিং ১১ অমসুং মাঙখিবা ১৬ খক্তমক ওইবনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা শোকহল্লিবা অতৈ দিষ্ট্রিক্ট তরাগী মীশি মীনাগী দেটাদি ফঙদ্রি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি। কলায়াগী মতুং ইন্না হৌজিক থীবা ফঙদ্রিবা মীওই খরা অকায় অতোইশিংগী মরক্তা ফুল্লম্বা য়াই হায়বগী অকিবা লৈ। ব্লান্টিরেগী খ্বাইদগী ফিভম থীনা শোক্লবা টাউনশিপ অনী চিলোৱে অমসুং নদিরামদেদা হৌজিক মী থীবা অমসুং কনবগী থবক কন্না চথুরি।

অমরোমদা, হায়রিবা মফমশিং অসিদা নোংসু কন্না চুরি। চৈরকসিদা, মোজাম্বিক্তা সাইক্লোন ফ্রেদিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থা অসিদা চহী অসিগী ওইনা নোং চুবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংখি। সাইক্লোন অসি হৌখিবা থাগী অথেংবা শরুক্তা লৈবাক অসিদা য়ৌরকখিবা মতুং অনীরকশুবা ওইনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা অমুক থুংলকখি।

# পোপ ফ্রান্সিসনা দিক্টেটরশিপকী ৱাফম পল্লকপদগী নিকরাগুৱানা ভেটিকানগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনখ্রে

মনাগুৱা, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
পোপ ফ্রান্সিসনা নিকরাগুৱাগী গভর্ণমেন্টবু দিক্টেটরশিপকা চাংদম্ন খ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিনা ভেটিকান সিটিগা লৈনরম্বা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।





হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নিকরাগুৱাগী প্রসিদেন্ট দেনিয়েল ওর্টেগানা মনাগুৱাদা লৈরিবা ভেটিকান এম্বেসি অমদি রোমগী ভেটিকানদা লৈরিবা নিকরাগুৱাগী এম্বেসি থিংজিল্লে হায়না লাউথোকখি। ওইরক্লিবা খোঙথাং অদুগী মতাংদা ভেটিকান সিটিগী ওফিসলশিংনা হায়খি, মদুদি খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী মপুং ফানা তৎনবগী ফিভমদি ওইহল্লোই। তৌইগুম্বসুং নিকরাগুৱানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং লৈবাক অনীগী মরী তৎনরকপা য়াবগী মায়কৈরোমদা থাংলকপনি হায়না লৌবা য়াই।


কুমজা ২০১৮ দা সোসল সেক্যুরিটি রিফোর্মশিংগী মায়োক্তা নিকরাগুৱাগী লম্বীশিংদা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথুরকপদগী প্রোটেগা এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিসেন্টরশিংবু লাকশিন্নবা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অসি লাকখিবনি। পোর্টেগা এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুরকখিবা সোসল সেক্যুরিটি রিফোর্মশিংনা মরম ওইরগা টেক্সকী চাং হেনগৎলকখি অমদি মীয়াম্না ফংফম থোকপা কান্নবশিংগী চাংনা হন্থরকখি।

প্রসিদেন্ট ওর্টেগানা ইরাং অদুবু মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা চথুরকপা কু এটেম্প অমনি হায়না ফোঙদোকখি। এন্টি-গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা লৈরিবশিংবু লাকশিন্নবা লৌখৎলকখিবা কা হেনবা খোঙথাংশিংনা মরম ওইদুনা নিকরাগুৱাগী কেথলিক চর্চ অমসুং গভর্ণমেন্টগী মরী শোকচিল্লকখি। মরু ওইনা চর্চ অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা মেদিয়েটরগী থৌদাং পুরম্বা মরম্না ফিভম অসি লাক্লিবনি হায়রি।

ওর্টেগাবু থেংখাং কয়াদা চৈ থাংদুনা লাকখিবা ভিসোপ রোলান্দো অলবারেজ হৌখিবা থাদা নিকরাগুৱাগী জেলদা চহী ২৬ লৈবগী চৈরাক পীখি। মঙোন্দা শীরিবা মরালশিংগী মনুংদা ওথোরিটি শীংনবা, লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবা, নেসনেল ইন্টিগ্রিটিদা শোকহনবা অমসুং অরানবা পাউ শন্দোকপা অসি য়াওরি। মহাক ওর্টেগাগী গভর্ণমেন্টনা জেলদগী থাদোক্তুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাখিবা পোলিটিকেল প্রিজনর ২০০ গা লোয়ননা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপগী ৱাফম য়াখিদবদগী কনভিক্সন পীখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা সবমেরিনদগী ক্রুজ মিসাইল অনী কাপখ্রে

সিওল, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা সবমেরিন অমদগী নোংমাইজিং নুমিত্তা সী ওফ জপান হায়নসু খঙনবা ইষ্ট সীদা ষ্ট্রেটেজিক ক্রুজ মিসাইল অমা কাপখ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।



তৌইগুম্বসুং সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনদি নোর্থকী পোর্ট সিটি সিম্পোগা নক্লনা নোর্থ কোরিয়াগী সবমেরিন অমদগী কাপ্লকখিবা মশক খঙদবা মিসাইল অমা মখোয়না দিটেক্ট তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

মিসাইল চাংয়েং অদু য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা চহী মঙাগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ৱার গেম ওইহন্নবা লাংলক্লিবা নুমিৎ ১১ নিগী ওইবা চহীগী মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌগদবা পুং ২৪ রোমগী মমাঙদা পাঙথোকখিবনি।

মিসাইল লোঞ্চশিং অদু চাইনানা পেসিফিক লমদম দোমিনেট তৌনবা হোৎনরক্লিবশিং মায়োক্লনবগী মিলিটরি কেপেবিলিটিশিং হেন্না ফগৎহন্ননবা পুৱারীদা রেকোর্দ ওইগদবা সেক্যুরিটি পেক্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবগা ইরোয়ননা পাঙথোরকখিবনি।

সেক্যুরিটি পেক্ট অদুনা মীচং লৈবাকশিংবু দিফেন্স টেক্নোলোজিশিং স্যেরিং তৌনহনবগা লোয়ননা নোর্থ বৈজিংগী মায়োক্তা শেল্লক্লিবা দিফেন্স পার্টনরশিপতা য়াওরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ফোর্সশিংবু ন্যুক্লিয়র-পৱার সবমেরিনশিং শীজিন্নবা য়াহল্লি।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর এন্থোনি অলবানিস অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক্কা উনখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি। চাইনানা দিল অদুবু ‘এঙ্গলো-সেক্সোন’ ব্লোক অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি। ব্লোক অদুগী মরক্তা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মশিং হেনগৎহনগদবা অমদি লৈরমদবা মফম কয়াদা খুৎলায় অসিবু লৈহল্লক্কদবা মওংদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী মচাক মথুমশিং ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ট্রান্সফর তৌহনগনি হায়না বৈজিংনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অহুমগী মরক্তা য়ানখিবা দিল অদুবু নোর্থ কোরিয়ানসু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। সিওলদা লৈবা অশান ইন্সটিট্যুটকী রিছার্স ফেল্লো গো মিওং-হিয়ুনগী মতুং ইন্না নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চশিং অদু য়ুএস-সাউথ কোরিয়াগী ৱার গেমশিংগী মায়োক্তা অমদি বাইদেন-অলবানিসকী মীফমগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবনি।

# য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা ৱারী শান্নবা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিং রসিয়াদা চৎলগনি

বৈজিং/মোস্কো, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং য়াম্না থুনা রসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎননবা থৌরাং তৌরি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হিরম অসিগী মতাংদা খঙবা মীওইশিং পল্লদুনা হায়রি।

হৌজিক চথুরিবা রসিয়া-য়ুক্রেনগী লান ইষ্টর্ন সিটি বাকমুট পায়শিন্নবা হোৎনরকপদা কনশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী মোস্কো খোঙচৎ অদু লাক্লিবা এপ্রিল নত্তগা মেগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না হৌখিবা থাদা ৱার্ল্ড ষ্ট্রিট জর্নেলনা রিপোর্ট তৌখিবা অদুদগী হেন্না ঙনখৎনা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি।

য়াম্না মরু ওইরবা খোঙচৎ অদুগী মতুংদা চাইনানা হন্দক্তা য়ুক্রেনগী লান লোইশিন্নবা হৌদোরকখিবা পিছ প্লানশিং অদু খন্নরকপা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা মমাঙগী থাদা ফোঙদোরকখিবদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈরিবা জিও পোলিটিকেল টেন্সন লৈখায় তাহনবদা লৈবাক অসিনা কন্সট্রক্টিব থৌদাং লৌনিংই হায়রদুনা পোইন্ট ১২ গী ওইবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী পেপর অমগী মওংদা পিছ প্লান অদু পুথোরকখিবনি।

বৈজিংনা লান শোক্নরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা তপ্না তপ্না হন্থহনবগী পান্দম থল্লি। তৌইগুম্বসুং চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি নত্তগা ক্রেমলিননা পাউ অসি কনফার্ম তৌবদি লৈত্রি।

ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না হিরম অসিগী মতাংদা ব্রিফ তৌখিবা ছোর্সশিংনা মখোয়গী মশক মমিংশিং ফোঙদোকউ য়াখিদে।

হৌখিবা থাদা চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট ৱাংয়িনা মোস্কোদা খোঙচৎ অমা লাকখিবদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মহাকপু তরাম্না ওক্তুনা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট সি জিনপিং রসিয়াদা অথুবা মতমদা লাক্লগনি হায়না ৱাংনা ফোঙদোকখিবনি।

# মেক্সিকোদা গনমেনশিংনা বারদা চথখিবা এটেক্তা মীওই তরা শিখ্রে, তরেৎ শোকখ্রে

মেক্সিকো সিটি, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
মেক্সিকোগী ময়াই থংবা ষ্টেট গোনাজুটোদা খুৎলায় পায়বা মীওই কাঙবু অমনা বার অমদা থোমজিন্দুনা চথখিবা এটেক্তা মীওই তরা শিখ্রে অমসুং মীওই তরেৎ অশোক অপন নঙখ্রে।



থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী লোকেল মতমদা পুং ১১ রোম তাবদা অপাসিও এল গ্রান্দে টাউনদা লৈবা ‘এল ষ্টাদিও’ দা থোকখিবনি। সেলায়া অমসুং কুইরেটারো সিটিশিং শম্নহল্লিবা হায়ৱে অমদা লৈবা বার অদুদা খুৎলায় পায়বা মীওই কাঙবু অমা খঙহৌদনা থোমজিন্দুনা কষ্টমরশিং অমসুং এমপ্লোয়িশিংদা নোংমৈ কাপখিবনি হায়রি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা হাৎখিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই অহুমদি নুপীনি। ওথোরিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী মেম্বরশিং দিপ্লোই তৌদুনা মফম অদুগী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং হেন্না কনখৎহনখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং খঙদোক্লবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌরে হায়না ষ্টেট এর্টোনি জেনরেলগী ওফিসনা ত্বিটর পোষ্টকী খুত্থাংদা ফোঙদোকখি।

গোনাজুটো অসি মেক্সিকোগী খ্বাইদগী পোপ্যুলর ওইবা টুরিষ্ট লমথুংফমশিংগী মনুংদা অমনি। ইন্দষ্ট্রিগী লমদা খ্বাইদগী চাওখৎলবা মফম অমসু ওইরিবা ষ্টেট অসি হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেন্না হাৎন শুনবগী থৌদোক তোইগনবা ষ্টেট ওইরে।

পনবা য়াবদি, মেক্সিকোদা দ্রগ ট্রাফিক্কিং অমসুং ফ্যুএল হুবগী থবকশিংদা অথোই অহেন তান্নদুনা লৈরিবা কার্টেলশিংগী মরক্তা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং তোইনা থোক্লিবনি।

থা অসিগী অঙনবদা মেক্সিকোগী সিটি মটামোরোসতা অমেরিকন মরি কিদনেপ তৌখি। মখোয় রাইবেল কার্টেল গ্রুপশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নরিঙৈদা মেদিকেল টুরিজমগী খোঙচৎ অমদা সিটি অদুদা লাকপদা ফাখিবনি। ফাখিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই অনী য়ুএসতা হল্লকখি। অতৈ অনী শিরম্বা থেংনখি।

নোংমৈ কাপ্পবা অদুদা লেপ্পুনা লৈবা মেক্সিকান অমসু হাইদোরকপা মরুনা পানবদগী শিখি হায়রি। মটামোরোসতা ওপরেট তৌরিবা কার্টেল গ্রুপশিংগী মনুংদগী অমনা মীহাৎশিং অদুগা মরী লৈননা এপোলোজাইস তৌখি অমসুং কিদনেপ্পরশিংনি হায়বা মীওই খরা মখোয়না পুলিসতা শিন্নখি।

থৌদোক অসিগী মতুংদা টেক্সাসকী ওথোরিটিশিংনা অমেরিকনশিং মরু ওইনা মেক্সিকোদা কোইবা চৎননবা থৌরাং তৌরিবশিংদা ৱার্নিং অমা ইস্যু তৌখ্রে।


## য়ুকেনা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং চাইনাদা দিপ্লোমেটিক পোষ্ট হন্থহনখ্রে


লন্দন, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়া, পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগুম্বা ইন্দো-পেসিফিক্কী মরু ওইবা লৈবাকশিংদা বৃটিস দিপ্লোমেটিক পোষ্টশিং চাদা ৫০ ফাওবা হন্থহনখি হায়বসি গভর্ণমেন্টগী অনৌবা দেটানা উৎখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা গার্দিয়নগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি লাক্লিবা চহী কয়া অসিদা বৃটেনগা লৈনগদবা মরী চেৎশিলহন্নবগী মরু ওইবা মফমশিংনি হায়না লেপথোকখিবা লৈনা লৈনা হৌখিবা চহী তরেৎকী মতমদা পাকিষ্টান, চাইনা অমসুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা এম্বেসিশিং অমসুং কোন্সুলেটশিংগী ষ্টাফ মেম্বরশিংগী মশিং হন্থরকপা উখি। হন্থরক্লিবা অসি ৫০-৫৯ ফাওবনি। মসি চাদা ৫০ রোম হন্থরক্লবনি হায়না পাই।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াদা বৃটিস ফোরেন ওফিসকী ষ্টাফ মশিং ৭৯ দগী ৪৯ দা হন্থখি। গার্দিয়নগী রিপোর্টতা পল্লিবা মশিং অসি লেবরগী ফ্রন্ট ভেঞ্চর কেথরিন ৱেইষ্টনা হংখিবা অইবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা ফোরেন ওফিস মিনিষ্টর দেবিদ রুদলেনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্ননি।

ফিগরশিং অসিনা মিনিষ্টরশিংনা লৈবাকশিং অসিদা চৎপা খোঙচৎশিংগী মশিং হন্থরকখি হায়বসিসু উৎখি। কুমজা ২০১৮ দা ফোরেন ওফিস অমসুং ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টনা ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা মিনিষ্টরশিংগী ওইবা খোঙচৎ ৩৭ পাঙথোকখি।

লৈবাক খরদি চহী অমদা খোঙচৎ অমুক্তগী হেন্না পাঙথোকপসু য়াওখি। অদুম ওইনমক কুমজা ২০২২ য়ৌরকপদা মিনিষ্টরশিংগী খোঙচৎ মশিং য়াম্না হন্থরকখি। চাইনা অমসুং ইন্দিয়াদা লৈরিবা বৃটিস এম্বেসি অমসুং কোন্সুলেটকী ষ্টাফ মশিং হন্থরক্লিবসি অমরোমদা কোভিদকা মরী লৈনবগা লোয়ননা য়ুকেনা মসিগী মপানগী দিভলপমেন্ট বজেটতা করি মীৎয়েং থম্বগে হায়বগসু মরী লৈনৈ হায়রি।

## হি লুপ্পদা মাইগ্রেন্ট ২২ শিখ্রে

অন্টানানারিবো, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা মদাগাস্করগী সমুদ্র মপানগা নক্লনা হি অমা ঈশিংদা লূপখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মাইগ্রেন্ট ২২ শিখ্রে হায়না ঈথৎ লৈবাক অসিগী মেরিটাইম ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মদাগাস্কর মেরিটাইম ওথোরিটি (কে পি এফ এম) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মীওই ৪৭ না হি তোংদুনা লোন্না ফ্রেন্স টেরিটরি মাইওটি পাঙখি। তৌইগুম্বসুং লাইবক থীবদগী মখোয়গী হি অদু ঈশিংদা লাকশিনখি। পেসেঞ্জরশিংদুগী মনুংদা মীওই ২৩ রেস্ক্যু তৌখি। অশিবা হকচাং ২২ ঈশিংদগী লৌখৎখি।

লাইবক থীবা থৌদোক অদু হৌখিবা থাংজগী অথেংবদা থোকখিবনি। মীওই অনী থীবা ফঙদবদগী মখা তানা থী হুম্বা অমসুং মী কনবগী ওপরেসন চথুরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা ওথোরিটি অসিনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২১ দা টেরিটরি অদুদা চঙননবা হোৎনখিবা মীওই ৬৫০০ হেন্না দিটেন তৌখি। অসুম্না সমুদ্রদা হি তোংদুনা চৎপগী খোঙচৎতা চপ চানা মীওই কয়া য়াম্না শিখ্রবগে হায়বগী এক্যুরেট ওইবা ষ্টেটিষ্টিক্স লৈতে হায়না ফ্রেন্স ওথোরিটিশিংনা হায়রি।

# ইরাক্তা চথখিবা ওপরেসনদা আই এস মিলিটেন্ট ২২ হাৎখ্রে

বাঘদাদ, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
ইরাক্কী নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স অনবরদা চথখিবা ওপরেসন অমদা ইস্লামিক ষ্টেটকী লুচিংবশিংগী মনুংদা খরা য়াওনা গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্ট ২২ হাৎখ্রে হায়না ইরাক্কী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাক্কী কাউন্টর-টেররিজম সার্ভিসকী হেদ লেফটনেন্ট জেনরেল অব্দুল ৱাহপ অল-সাদিনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি ওপরেসন অদু কেপিটেল বাঘদাদকী নোংচুপলোমদা কিমি ৪০০ রোম লাপ্না রুটবা টাউনগী অৱাংদা লৈরিবা চীংনুং মানুংগী মফম অমদা নোংথক্তগী রেইদ চথখিবা য়াওনা ফেজ অনী থোক্লা পাঙথোকখি।

ওপরেসন অদু মখা চথুরি হায়না পল্লদুনা ইরাক্কী কাউন্টর-টেররিজম সার্ভিসকী হেদ অসিনা হায়খি, মদুদি হাৎখিবা মিলিটেন্টশিং অদু মশাদা এক্সপ্লোসিব বেল্টশিং য়াওই। শিখিবশিংদুগী মনুংদা সিনিয়র লিদর কয়া য়াওখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরাক্কী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন হেন্না কন্না চথখিবগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিং লাকশিনবগী থবক হান্নদগী হেন্না কনশিনখি।

কুমজা ২০১৭ দা আই এস মায়থীবা পীখিবদগী ইরাক্তা সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক গ্রুপ অসিগী লৈহৌরিবা মেম্বর খরা অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাশিং অমদি চীংনুং মানুংশিংদা চঙশিন্দুনা ফিভম শেমখি অমসুং মখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা গুরিলা এটেকশিং তৌইনা পাঙথোকখি।

# মালেসিয়াগী হান্নগী পিএম মুহিদিন মনি লোন্দরিংগী অহেনবা মরাল শীখ্রে

কুলালম্পুর, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):
মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদিন য়াসিন নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইনৌ নৌবা মনি লোন্দরিংগী মরাল অমসু শীখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং পুন্না তরেৎ শুরে হায়রি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি ইনভেষ্টমেন্ট কম্পেনি অমনা মহাক্কী পার্টি একাউন্টতা লোনা য়াদবা শেনফমশিং ওইনা রিঙ্গিৎ মিলিয়ন মঙা (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ১.১১) পীরকখি অমদি মদুবু মহাক্না লৌখি হায়না মরাল শীখিবনি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ৭৫ শুরবা মুহিদিননা চার্জশিং অদুবু য়াখিদে। সেসন কোর্টকী জজ রোজিলা সালেনা মমাঙগী রিঙ্গিৎ মিলিয়ন অনীগী বেল খ্বাইদগী নৌবা চার্জ অদুগী বেল ওইনা শীজিন্নবা য়াহনখি। মমাঙগী বেলগী শেনফম অদু কুলালম্পুরদা মমাঙগী চার্জশিংগা মরী লৈননা মহাক্না পীখিবনি।

মার্চ ১০ দা মুহিদিননা কুলালম্পুরগী সেসন্স কোর্ট অদুদা চার্জ তরুক্কী ট্রাইয়েল চথখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি। মহাক্না কোর্টতা পনখিবা চার্জশিং অদুদা করপসনগী চার্জ মরি অমসুং মনি লোন্দরিংগী চার্জ অনী য়াওখি হায়রি।

কুমজা ২০২০ গী মার্চ অমসুং কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টকী মরক্তা মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ১৭ ফম পায়খিবা মুহিদিন অসি পেরা কটন নেসিওনেল (পি এন) কোল্লিসনগী চিয়রমেননি।

# য়ুএসনা ন্যুক্লিয়র দিলদগী তোক্লগা অমুক হন্না অথিংবা থম্লকখিবদগী ইরাননা রেকোর্দ ওইবা চাংদা থাউ য়োনখি

দুবাই, ১৩ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱিদ্রো তৌদুনা কুমজা ২০১৮ দা ইরানগী মায়োক্তা অমুক হন্না অথিংবশিং থমজিনখিবদগী টেহরাননা মপানদা থাউ য়োনবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল য়ৌখি হায়না লৈবাক অসিগী ওইল মিনিষ্টর জাবদ ঔজিনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল অমদগী হন্দোকপগা লোয়ননা টেহরানদা অমুক হন্না অথিংবশিং থমজিনখিবদগী ইরাননা মপানদা থাউ য়োনবা অমসুং মসিদগী লাকপা রিভেন্যুগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা ৱাংখি।

চাইনা নত্তনা লৈবাক খরনা মখা তানা ইরানদগী শুংদোক্লিবা থাউ লৈবদগী ইরাননা রেকোর্দ ওইবা মওংদা থাউ এক্সপোর্ট তৌখিবনি।

ওইল মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২১-২২ গী মার্চকা চাংদম্নবদা কুমজা ২০২২ গী মার্চ ২১ দগী হৌখিবা হৌজিক্কী শেনবা চহী মনুংদা ইরাননা অহেনবা ওইল বেরেল মিলিয়ন ৮৩ এক্সপোর্ট তৌখি। মসি মমাঙগী চহী অনীদা এক্সপোর্ট তৌখিবা চাংদগী বেরেল মিলিয়ন ১৯০ হেল্লি। মপানদা গ্যাস এক্সপোর্ট তৌবগী চাংনা মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা কুমজা ২০২২-২৩ দা চাদা ১৫ হেনগৎখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এ ই অমসুং হোংকোংদা বেজ তৌবশিং য়াওনা এন্টিটি ৩৯ দা অথিংবশিং লাউথোকখিবনি। এন্টিটিশিং অদু ইরানবু গ্লোবেল ফাইনান্সিএল সিষ্টেমগী খুদোংচাবা ফঙহনবদা মতেং পাঙবশিংনি হায়না ৱাশিংতন্না ফোঙদোকখি।

হান্নগী ট্রেজরি দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ব্রিয়ান ও টুলনা হায়খি, মদুদি শগোলশেল নুমিত্তা য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসন্না লৌখৎখিবা খোঙথাং অদুনা ইরানবু মপানদা থাউ য়োনবা অমদি থাউগী মমল ফঙহনবদা অয়েৎ অপন কয়া লৈহল্লগনি।


নৌনা হাংবা বি জি ট্রেক্কী মেন্টেনেন্স

ই-টেন্দর নোটিস নম্বর: LMG/Engg/11 of 2023 Dated : 06-03-2023 মখাদা খুৎয়েক পীরিবা অসিনা মখাগী থবক অসিগীদমক ই-টেন্দর ইনভাইট তৌরি; আইটেমগী শন্নপ্পা মওং মতৌ: Sr. DEN/II/Lumding গী জুরিসদিক্সন্না কোনবা ভঙ্গাইচুঙপাও-খোঙশাং সেক্সনগী মরক্তা নৌনা হাঙলিবা বিজি ট্রেক্কী রেলশিং রং থাবা, দ্রেসিং অমসুং বোক্সিং, ট্রেক সেল্লো স্ক্রিনিং তৌবা অসিনচিংবা য়াওনা মেন্টেনেন্সকী থবক অমদি অতৈ মতেং ওইগদবা মরী লৈনবা থবকশিং। টেন্দর ভেল্যু: লুপা ১,৮৬,২৯,৬৬৩/-; বিদ সেক্যুরিটি: লুপা ২,৪৩,১০০/-; টেন্দর ক্লোজ তৌবগী তারিখ অমসুং মতম ২৮-০৩-২০২৩ গী নুংথিল পুং ৩ নি অমসুং হাংবগী তারিখ অমসুং মতম্না ২৯-০৩-২০২৩ গী নুংথিল পুং ৩ নি। মথক্কী ই-টেন্দর অসিগী টেন্দর দোক্যুমেন্টকা লোয়ননা মপুং ফাবা ইনফোর্মেসন ৱেবসাইট www.ireps.gov.in দা ২৮-০৩-২০২৩ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ফঙগনি।

DRM(W), Lumding
NORTHEAST FRONTIER RAILWAY
Serving Customers With A Smile
HL-B/8066/14



MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR - IMPHAL
NOTIFICATION

Dated, the 13th March, 2023

No. MU/9-1/1/21(C) : In continuation of this office order vide dated 27-02-2023, the submission of examination forms and fees for BA/BSc/BCom/BPES/BFT/BSW/BTT 1st Semester Examination, 2022 (November) (NEP) has been further extended as under:

*Without fine : 21-03-2023*

*After the specified date, there shall be no 'with fine' category or extensions.*

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/8064/14



राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान मणिपुर
NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR
Imphal, Manipur, Ph.(0385) 2058566 / 2445812
E-mail : director@nitmanipur.ac.in , Website : www.nitmanipur.ac.in
An Autonomous Institute under Ministry of Education, Govt. of India.

No.NITM.1/(2a-Estt)/MP/REG/2019/251 ......../03/2023

EMPLOYMENT NOTICE FOR REGULAR FACULTY POSITIONS

National Institute of Technology Manipur invites applications from Indian Nationals possessing excellent academic background for recruitment of the Faculty positions. Detailed Advertisement alongwith eligibility criteria, experience and other terms & conditions and prescribed application form can be downloaded from the Institute website: **www.nitmanipur.ac.in.** The last date of submission of application form is **3:00 p.m. of 06/04/2023.**

* Serving faculty members of NIT Manipur may also apply for higher Academic Grade Pay or cadre even if regular vacancy does not exist in the respective departments.

Sd/-
Director, NIT Manipur

HL-B/8065/14